# ১২শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) ঃ জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিএসন (জেদ এফ এ) না শীন্দুনা পাঙথোক্কদবা ১২শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা এল রাধাকিশ্বর চ্যেরমেন পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ মণিপুরনা চীফ গেষ্ট, এ এম য়ু কামৈ প্রসিদেন্ট জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন (অসাম, মণিপুর, নাগালেন্দ) না প্রসিদেন্ট, এন ইন্দ্রজিৎ এম এল এ ক্ষেত্রিগাও এ সী, এস সুভাসচন্দ্র এম এল এ নাওরিয়া এ সী অমদি জোতিন ৱাইখোম ভাইস প্রসিদেন্ট বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এল রাধাকিশ্বরনা হায়, মণিপুর অসি য়াম্না তংদু লৈতাবা, নুংশি চান্নবা লমদম অমা ওইরে। লমদম অসিগী চীং অমসুং তমগী মরক্তা লৈরম্বা খেন্নবা কয়া ঙসিদি এন বিরেন্না লুচিংবা বি জে পিগী অনৌবা লৈঙাক অসি লাকপদগী অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন শাগৎপা ঙম্লে।

চীং অমসুং তম অসি ইচিন-ইনাওনি হায়বগী ৱাখল অদু মতম খরা মাঙ্জুরে। অদুবু অনৌবা লৈঙাক অসিনা লাকপদগী খুঙ্গং খুদিং চৎতুনা খুঞ্জাশিং উন্দুনা করি চারি, করি থক্লি, লৈননবা য়ূম লৈব্রা, অনাবা লৈব্রা হায়না য়েংশিন্দুনা থোং মান্নবা মণিপুর অমা ওইরক্নবা হোৎনরি। ঙসি জাদোনাংবু মচা-মনাও ওইবশিংনা নীংশিংবা অসিনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন অদু হঞ্জিল্লক্লেহায়বসি তাক্লেহায়খি।

পূন্না টিম ৩৪না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি হৌদোকপা নুমিৎকী অহানবা মেচতা রগাইলোং য়ুথ ক্লব (আর ৱাই সী) অমসুং নমদুলোং য়ুথ ক্লব (এন ৱাই সী) শান্নখি। ঙসিগী মেচ অদু রগাইলোং য়ুথ ক্লবকী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। অদুগা নমদুলোং য়ুথ ক্লবকী মায়কৈদগীনা পাঞ্জল ১ চনখি। রগাইলোংগী মায়কৈদগী গাইবোনলুং ফাওমৈ অমসুং গোলমৈ গিম্থালুংনা পাঞ্জল অমমম চনখিবনি। অদুগা নমদুলোংগী মায়কৈদগীনা পৌগাকদাই কামৈনা চনখি।

হয়েং পূন্না মেচ ৪ লৈগনি। অয়ূক্তা নমগুইলোং অমসুং রামজি লোয়ননা দিমদাইজাং অমসুং খুমজি পার্ট ফাইভ শান্নগনি। অদুগা নুংথিলদনা স্বাংপুং অমসুং য়ুরেম্বমগী টিম অনী লম্বা তৌনরগা অরোইবা মেচ ওইনা দুইগাই পাংজাং অমসুং লংথবাল চিংথক্কী মেচ শান্নগনি।

# মিষ্টর ইন্দিয়া মঙাল অরাম্বম হরাউ তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) ঃ জুনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়া (আই এন বি এ) ২০১৮ অমসুং মিষ্টর বেঙ্গলোর (ওভরওল ৱিনর) ২০১৮ অমসুং মেন ফিজিক তারকখ্রবা মঙাল অরামবম্বু ইম্ফাল ৱেষ্টকী লিলোং নগর পঞ্চায়টকী কাউন্সিলরশিংনা হরাউ তরাম্না ওকখ্রে।

মঙাল অরাম্বম লিলোং চজিং মাইরেনখোংদগী অরাম্বম বিরেন্দ্র অমসুং অরাম্বম ওমীলা অনীগী মচানুপানি। মহাক্না ঙসি ইম্ফালগী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংলখিবদা মাইরেনখোং লৈকায়গী দল্লিয়ু দি সী অমদি মৈরা পায়বীশিংনসু ইবুধৌ পুথিবা অমসুং চজিংলাকপা অনীগী মফমদা মঙালগা পূন্না মখা তানা মহাক্কী পুন্সিদা য়াইফবা পীবিনবা খুরুমিন্নখি।

মঙালনা মণিপুরগী নহারোলশিংদা পীখিবা পাউজেলদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাদবা, তিঞ্জং কাইজংদবা ইশা ইশাগী পান্দম অমমমগা লোয়ননা মতিক চাবা ইন্দিয়াগী সিটিজন অমমম ওইমিন্ননবা হায়খি।

মহাক্না ইন্টরনেসনল কম্পিটিসন কয়াদসু মখা তানা শরুক য়াখিগনি হায়নসু ঙসি এয়রপোর্টতা য়ৌরকখিবা অদুদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

১৭শুবা ক্ষেত্রিময়ূম লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট

# এস এ ও ককচীংনা আই ৱাই এবু ৭-১দা থোইখ্রে



ককচীং, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) ককচীংনা শীন্দুনা দি এস এ ককচীংগী শান্নবুংদা চত্থরিবা ১৭শুবা ক্ষেত্রিময়ূম লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা এস এ ও ককচীংনা আই ৱাই এবু পাঞ্জল ৭-১দা য়াম্না হেন্না থোইখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৮না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ১৭শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস এ ও ককচীংনা আই ৱাই এবু য়াম্না হেন্দুনা পাঞ্জল ৭-১দা থোইখ্রে। এস এ ওগী মায়কৈদগী বিকিমনা হেটট্রিক ফংখি। মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু টিম অদুমক্কী শান্নরোয় সোমোরজিৎনা ২৩শুবা মিনটতা চনখি।

শান্নবগী ৪১শুবা মিনটতা এস এ ওগী বিকিমনা মহাক্কী হেটট্রিক্কী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। থংনবা মিনটতা আই ৱাই এগী দিফেন্দরশিংগী অশোনবা মফমশিং অদুবু লান্থোক্তুনা বিকিমনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিন্দুনা অহানবা হাফ অদু এস এ ও ককচীংনা আই ৱাই এবু পাঞ্জল ৩-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মেচকী অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৬ চঙশিল্লকপদা এস এ ওগী শান্নরোয় অংপোলনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। ৫৫শুবা মিনটতা টিমমেট ওলিবরনা এস এ ওগী মঙাশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। শান্নবগী ৭১শুবা মিনটতা ওলিবরনা এস এ ওগী ৬শুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মেচ অদু মখোয়না থোইবগী লম্বেল নকশিলহনখি।

শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৬ শোত্থরবা আই ৱাই এগী মায়কৈদগী এম অর্নোল্ডনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অদুবু মেচ অদু লোইগদবা মিনট ৫ ৱাৎলিঙৈদা এস এ ও ককচীংগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখ্রবা বিকিমনা মহাক্কী হেটট্রিক ওইবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১৭শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসিগী মেচ অদু মখোয়না ৭-১দা আই ৱাই এবু হেন্দুনা লৈখিবনি। লেমহৌবা মিনট ৫ অদুদা আই ৱাই এগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা মেচ অদু লোইশিনখি।

৩৪শুবা এন হজারি অমসুং ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮

# ইম্ফাল রাইদিং ক্লব -এ, এম পি এস সী -এ অমসুং বিগী টিম মায় পাকখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসন (এম ঐচ আর পি এ) না শীন্দুনা মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোক্লিবা ৩৪শুবা এন হজারি অমসুং ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব -এ, এম পি এস সী-এ অমসুং এম পি এস সী -বিগী টিম মখোয় মখোয়গী মেচশিং মায় পাকপা ঙমখ্রে।

পানা ৩১না শরুক য়াদুনা নোক আউট বেসিসতা পাঙথোক্লিবা ৩৪শুবা এন হজারি অমসুং ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অহানবা গ্রাউন্দদা এম পি এস-বি অমসুং কে এম এম রাইদিং স্কুল-বি লম্বা তৌনখি।

এম পি এস-বিগী মায়কৈদগী য়াম্না হেন্দুনা চক্র মরিমক পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অমরোমদা কে এম এম রাইদিং স্কুল-বিগী মায়কৈদগী অহানবা চক্রদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। মখোয়না অনীশুবা অমদি মরিশুবা চক্রদা পাঞ্জল অমখক চনখি। নাকল অমরোমদা এম পি এস সী-বিগী মায়কৈদগী পূন্না পাঞ্জল ১৫ চন্দুনা মেচ অদু ১৫-২দা থোইখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব-এ অমসুং শমুরৌ পোলো ক্লবকী টিম লম্বা তৌনখি। মেচ অদু পাঞ্জল য়াম্না চন্নবা মেচ অমা ওইখিদে। শমুরৌ পোলো ক্লবকী মায়কৈদগী শুপ্নগী পাঞ্জল অমখক চনখি। অদুগা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব-এগী মায়কৈদগী পূন্না পাঞ্জল ৫ চন্দুনা মেচ অদু ইম্ফাল রাইদিং ক্লব-এনা শমুরৌ ক্লবপু ৫-১দা থোইখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা এম পি এস সী-এ টিম অমসুং ইম্ফাল রাইদিং ক্লব-বিগী টিম লম্বা তৌনখি। এম পি এস সী-এগী টিম্না য়াম্না খুদুম চনখিবা মেচ অদুদা পূন্না পাঞ্জল ১৫ চনখি। অদুগা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব-বিগী মায়কৈদগী শুপ্নগী পাঞ্জল অমখক চল্লগা মেচ অদু মণিপুর পুলিস স্পোর্টিং ক্লব -এ টিম্না পাঞ্জল ১৫-১দা য়াম্না হেন্দুনা মায় পাকখিবনি।

# সারলোরলুক্স ওপন বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী সুভানকর দে সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

সারলান্ধালে, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সী) ঃ জর্মনিগী সিটি সারলন্ধালেদা পাঙথোকপা য়ূ এস দোলর ৭৫,০০০গী শেলগী মনা লৈবা বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সুভানকর দে সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় পরুপলি কশ্যপ ক্বার্টর ফাইনেলগা মায়থীহৌরে।

নীংশিংবা য়াই ৱর্ল্ড নম্বর ৬৪ ওইরিবা ইন্দিয়াগী সুভানকর দেনা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা ৱর্ল্ড অমসুং ওলিম্পিক চেম্পিয়ন চাইনাগী লিন দানবু মায়থীবা পীরম্বানি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেলদা ইংলেন্দগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৭শুবা সীদেদ ওইরিবা টোবি পেন্টিবু শুপ্নগী মিনট ৩২দা ২১-১৬, ২১-৯দা মায়থীবা পীরমখি। সুভানকর দেনা সেমীফাইনেলদা চাইনাগী রেন পেংবোগা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা সেমীফাইনেলদা ইংলেন্দগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সীদেদ শান্নরোয় রাজিব ওসেপ অমসুং ফ্রান্সকী টোমা জুনিয়র পোপোবকা শান্নরগনি। রজিবনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা নেদরলেন্দসকী এম কালজোবু ২১-১২, ২১-৭তা থোইরম্বনি। অদুগা ফ্রান্সকী পোপোবনা ইন্দিয়াগী পরুপলি কশ্যপপু ২১-১৬, ২১-১৮দা থোইরমখি।

# ইন্দিয়ানা নেপাল থোইদুনা ৩শুবা পোজিসন তাখ্রে, পাকিষ্টান মায়থীবা পীরগা বংলাদেশনা টাইটল লৌখ্রে

ললিটপুর, নবেম্বর ০৩ঃ নেপালনা য়ূম্বু ওইদুনা ওক্টোবর ২৫দগী হৌরকখিবা চহী ১৫ মখাগী এস এ এফ এফ (সাউথ এসিয়া ফুটবোল ফেদরেসন) চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা ইন্দিয়ানা নেপাল মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে। বংলাদেশনা ফাইনেলদা পাকিষ্টানবু পেনাল্টি সুট আউটতা থোইদুনা টাইটল লৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা পোজিসনগী মেচ অদুদা ইন্দিয়া অমসুং য়ূম্বু নেপালনা য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা শান্নরকখি। পনবা য়াই টুর্নামেন্ট অসিগী মমাংগী চহীদা ইন্দিয়ানা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী থিয়াচু ভানলালরাওফেলানা শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

পনবা য়াই ইন্দিয়াগী টিম অসি সেমীফাইনেলদা বংলাদেশকা লম্বা তৌনবদা অপীবা মতমদা পাঞ্জল ১-১ লৈনখিবদগী পেনাল্টি সুটআউটতা বংলাদেশনা পাঞ্জল ৪-২দা থোইরমখি। অতোপ্পা সেমীফাইনেল মেচ অমদা পাকিষ্টাননা নেপালবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখি।

ইন্দিয়া অমসুং নেপালগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোয়শিনখিবদা পাঞ্জল অমা ইন্দিয়ানা হেন্দুনা লৈখি। অনীশুবা হাফতা নেপালনা পাঞ্জল হন্দাক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবা অদু ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা ফজনা শান্নবা ঙমখিবদগী মেচ অদু ইন্দিয়ানা মায়পাক্তুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবনি।

বংলাদেশ অমসুং পাকিষ্টাননা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা বংলাদেশকী মায়কৈদগী চত্থরকখিবা এটেক্ট অমদা বোল অদু ঙাকথোকখিনবা হোৎনখিবা অদু শোয়বদগী পাকিষ্টানগী হসিব অহমদ খাননা চনশিনজখিদুনা বংলাদেশনা পাঞ্জল অমা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা পাকিষ্টানগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর চত্থদুনা বংলাদেশকী মায়কৈদা বোল হেন্না পুশিন্দুনা ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনরকখি। ৫৪শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমা ফংদুনা খুদোংচাবা অদু মোহিবুলানা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা টিম অনীম্মক পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি। অপীবা মতম লোয়শিল্লক্লবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্মদবদগী পেনাল্টি সুটআউট তৌনখি। মদুদা য়াম্না কন্না মান্নরক্লবা মতুং বংলাদেশনা পাঞ্জল ৩-২দা থোইদুনা কুমজা ২০১৮গী চেম্পিয়ন ওইখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF INFORMATION
& PUBLIC RELATIONS
(Moirangkhom, MSRTC Complex, Imphal-795001)

**TENDER NOTICE**

Imphal, the 30th October, 2018

**No. 4/7/2018-DIPR(C/D)/658:** Sealed tenders are hereby invited from the reputed Firms for **printing and supply of Multicoloured and Black & White Magazines, Manipur Government Wall Calendar and Diary, 2019**. The tenders will be received upto 2 p.m. of 17th November, 2018 and the same will be opened at 3 p.m. of the same day by the undersigned in his office room in presence or absence of the tenderers as the case may be.

**For details kindly visit website www.manipurtenders.gov.in / www.manipur.gov.in or the DIPR, Manipur during office hours.**

Sd/- **H. Balkrisna Singh**
*Director*
Information & Public Relations
Government of Manipur

HL-B/4966/4

# ত্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) ঃ জীট কুনেদো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগী প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না দিসেম্বর ১৪দগী ১৬ ফাওবা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা সব জুনিয়র, জুনিয়র অমসুং সেনিয়র নেসনল জীট কুনেদো চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী শান্নরোয় খনবগী ত্রায়ল অদু থা অসিগী ৭কী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা য়াইরিপোক্তা লৈবা য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা ময়ায় লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

# ইন্টর কোলেজ জুদো

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী মখাদা প্রভাপতি কোলেজ ময়াং ইম্ফালনা শীন্দুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ জুদো (নুপা অমসুং নুপী) টুর্নামেন্ট ২০১৮ থা অসিগী ১৭তা কোলেজ অসিগী ইন্দোর হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না ওর্গেনাইজিং সেক্রেটরিনা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

NOTICE
Dated, the 03rd November, 2018

**No.MU/5-146/14/FCY:**/450 It is hereby notified that 2(two) Guest Lecturer on contract basis will be appointed initially for a period of 6(six) months in the department of Education through **walk-in interview**.

**Essential Qualifications:**

As prescribed by the UGC for Assistant Professor in the concerned subject.

**Specialization:** - Open.

**Honorarium:** Rs. 500/- per lecture subject to a maximum of Rs. 21,600/- (Twenty-one thousand six hundred) only per month.

**Date of Interview:** - 19/11/2018 at 11:00 A.M.

**Place of Interview:** - Office of the Dean, School of Social Sciences, MU

Candidates are required to submit their bio-data along with supporting documents to the Dean, School of Social Sciences, Manipur University, Canchipur-795003 between 10 a.m. and 11 a.m. on the same day.

*Sd/-*
H. Tongin Maring
Assistant Registrar

HL-B/4965/4







HL-B/4943/25/10-22/12 (alt.)




HL-P/5596/28-06 nov.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com